
শৰৎ চন্দ্ৰৰ

বিলাসী

অনুবাদক

জগন্নাথ দেৱ








থোকহনবা—

কুমারজিৎ শর্মা

কাংলাপাক দুমিলবা



অহানবা থুংলবা — ১৯৮০ ইং।

কোপি মশিং—
১,০০০

মমল লুপা১৫/-

নমখৎ —
মেখলা প্রেস, থংমৈবন্দ মোহু।

মাহে অহুম

লাইরিক মচা অমি 'সাহিত্য-অকাদেমি'গী মতেংনা, সাহিত্যকার শ্রীশরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়না ইবা "বিরাজী" হায়বা বাবী অহুনি।

মণিক নাইবা অইবা অমুনী লাইরিকশিংদু অতোপ্পা লোন্দা হন্দোকপা হায়বদিগী খোইদোক্পা অশোক-অতাম লোক্লোই হায়নি-ডাই লৈতে। অহুম ওইনমক লাইরিক মচা অনিদা শীজিনা মতম লাইরবা মথাগী পাম্বক্পনা ইরোম্বা হন্দোকচনুনা পাবিবিশিংগী থিংদেং-থাংবা ক্লাদ্রোকচবিবদি।

লাইরিক অশিগী ইঙ্গুকেশন ডিপার্টমেন্টকী শোলঙী তেংবাং শীবিরকপশীবক তৌখিবদু থগৎবা উজনি।

অনুবাদক—



[redacted]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

অমা লৈ ঃ অহুপা শাইশগী মথুড়া অমা লৈ। মথুড়া অহুগী থবক্তি মরাংগী মচাগী কত্নবা থি'চং মওং কয়াদা শম্মোকপনি— মহাক পঞ্জা থকই. মচ'ক ঙুঁল চাম. অম্বুম্না অতৈম্বু করা অমনি। অচুপা মাগী অকোঞ্জ থবক অমনা অসি ঙাংহনা কোইচং চংশনি, বাগান অহুগী তঞ্জাম অমা মহাক মশাঙীনি, দরখাস্ত থাদুনা দথল তৌপনবদা ঙাইরবনি। তশেংনমক নোংমা মহাক্না দথল কংথি হায়বা য়াই, অদুবু মহু ডিষ্ট্রীক কোর্টতা দরখাস্ত থাহনা নত্তে— নোংমদোলগী দরবা'রগী হুকুমি। অদুবু বা অহু কোম্না লাক্তনি।

মৃত্যুঞ্জয় মথুংবা থোংকত্তনা চাই অমম্বুং লৈনৌ পাম্বাদা লৈনৌগী বাগান অহুদা পাল্লিবহু পার্শ্বদা য়োল্লগা মহাক্কী চহি চুপ্পা শেংদৈ-ইদৈ।

মহাকা হেক হেক থে'নবা থুদিংগী উরম্মা, মোংলবা শেগায়রবা লাইরিকশিং শেগাদা চপত্থনা লম্বীগী চিদাংদা তুপিম্না চংলে। মহাক কৈদৌঙৈদম্বু কন্নাগম্বু বাবী লাবা উনে— অহুম ওইনমক ঐখো'যনা থৌরেত্তনা বা পংঙাংদা ঙাংলম্মী।

মহুগী মরুওইবা মরমদি অসিনি মহুদি, হুকাম্দগী অচাপোং লৈরগা পীক্তবা থুক্কংদা অত্তোপ্পা অঙাং অমত্তা লৈত্তে। অহুপা গুপ্নগী অঙাংশিংদা নত্তে— অঙাং কয়াগী মপা ফাওবনা কয়াবক হন্না লোম্না মচান্নুপাদা ইমশিন্দুনা স্কুলগী থাগী কি য়াংগ্রে, লাইরিক হুরানরে অসিনচিংবা কয়া হায়থিন্দুনা মত্তোম্দগী

শেন লৌথোকই, মহ ভগ্না ঙম্না নত্তে। লমন তোনবা মপাদা য়াজবে হায়বদি থাম্নবা য়ানি, অথাং অমত্তা মহাক্না যা ঙাংবৈ হায়বা য়াকম অসি কাওবা ভদ্র-সমাজদা কনা 'মত্তনা য়াবা ঙমদে— খুঙ্গং মন্নুংদা মৃত্যুঞ্জয়গী থিংচং অসিনি।

য়াম্না কুইয়ে মৃত্যুঞ্জয় উথিদবা। নোংমা তারম্মী, মহাক শিগদৌরে। অদুগা নোংমা অমুক তারম্মী, মালপাড়াগী হম্নুবা মাল (লিন ফাবা অত্তোনবা জাতি) অমনা লায়েংহুনা অমম্তুং মহাক্কী মচানুপী বিলাসীনা সেবা ভৌহনা মৃত্যুঞ্জয়বু যমগী মথুক্কী থোঙচং অসিদগী কনথোরে।

মতম শাংনা মহাক্কী অহাও-অথুন অকবাঙ্গ থবক্তা শিজিন্নখি —পুক্রিংসি কৈনোমা ভৌরকই; নো'মা সন্ধ্যাগী অমম্বদা লোংভুমা মহাক উম্নবা চংলুই। মাগী মী লৈমদবা ইথোল অদুগী চেকপল লৈত্রে হায়বা য়াই।

অপনবা লৈত্তনা মযুমদা চংশিনবা মতমদা উরম্মী, খুম থোঙ হাংই, য়াম্না ঙানবা থাউমৈ অমা থাজি, অদুগা কাহুগী মম্নাইমক্তদা কাংথোল অমদা তনাম তনান থাবা কমুংদা মৃত্যুঞ্জয় হিপত্তুনা লৈরম্মী।

মহাক্কী শরুম' ঙাইরবা হকচাংদু উবদা থওলম্মী, তশেংনমক যমরাজনা পুনমবা হোৎনবদা অশোয়বা কৱিম্নু য়াউখিদে, অদুম

খুইনমক অয়োইবা কাওবদা খুদোংচাবা কংবমক্তা চৎশিন্নিবমু ওইরম্বী সুপীমচা অহুমী লক্লিদনবনি। মতাক্তা খুখুমদা ফমহুনা হুম্বাই হন্নি, থঙহৌদনা মী লাবগা উবদা তক্কনা চপ লৌখি।

মহাক লিম পুবা হনুবা অঙৌবী মচানুপীনি। মহাক্কী চহি তরানিপানা থঙবা তমলমদে; অহুম্ মাইথোংদা থেংনুহনবদা থঙলম্মী, এইনিংবা ওইকদম, নোম্বা অতংগা অহিং মীংসেল থাংবদা মহাক্কী হকচাং অমুক থাউত্রে— তঙ্গংবা পম্মদা ঊশিং শিক্কনা থম্বা লৈমম চন্নবা লৈঙ্খনি— খুংবা থাজকং শোকনুবদা খজিককং লেংনুবদা বিস্থনা তাখিগদবগুম্মী।

মুতুঙয়না ঐহাক্পু শক থঙবা তমহনা হায়রকই, "কদানো, ন্যাঙ্?"

খুম্মী, "হুঁ!"

মুতুঙয়না হায়রকই, "কম্মু."

মাল নিঙোলঙ্ মক্ক লুকথহনা লেংতুনা লৈ।

মুতুঙয়না হাইহে থম্না হায়রকপা অহুনা থঙহল্লিবনি ঙৌলিনি মহুদি, চাউরাক্না খা অমগা মখায়রোয় হায়রক্লে মহাক ফম্মুংদগী হৌগৎপা ওয়াক্কুনা।

মমক অদিদা মুখিং তয়ামচানিংদোমদি মহাক জ্ঞান মাউদনা ত্যাব-থেন তাদনা লৈরম্মী, মুখিং থরম্মিগী মমাংদগী মহাক

মীশক-মীশা খক্তবা ওয়েক্তে, অদুম ওইরবক মহাক কম্যুনিষ্ট লৌগংপাদি চমথি, অদুবু অমুক কীমিংলোই লৈত্রে।

কীমিংলোই লৈহনবু, অদুবু মহা ওইরবদু মসিদি খঙলম্মী, তসি ফাওবা কম্যুনিষ্ট লৌগংনবা. ফাওবগী মপাঙ্গল লৈত্রিবা অনাবা অদুবু উবং অসিগী মপুংদা হুপীবচা অহুনা ফিজংহনবা লৌখিবা অদু করা চাউবা অকুবা থৌদাংনো! অফিং হুংথিল করা কয়াদা মফাক্তা করা করা লেখা তৌখিবা, করা করা লোংবক্রিবা, কয়াদা অথাং কনকবা অফিং কয়া ভুমদনা লৈরক্রিবা! মচু কথাগী মতিক থোনা লৈবগী থবক্তো। অদুবু ওইথোক্তবা ওকথোককল্লিবা পোংশক অদুগী পাম্বাইদা অদুম ওইমম হুমিং অহৌদ কংখিদে, অদুবু নোংমা মচু কংলম্মী।

হল্লকমদায় মতমদুদা মাল নিঙোল অহঙা অতোপ্পা থাউমৈ অমা পায়দুনা এরৈ হমাং থানা মিংথাংবা চেকপল অদু ফাওবা থিন্দোরকই।

অদুক, বুইবদু মফাক খ। অমা অমা ফাওবা ক্তাংদে। হন্দক্তি ৎথা। তপ্পা লায়রকই, "লমজাও ফাওবা থিন্দোকউ হায়রা!"

চাউরব-চাউরবা হৈদৌ পান্থীশিংনা খল্লবা বাগান অপুম্বদু অমম্বা মচুম অমগী মতৌঙম উবম্মী, লমী মশক উবদি থাম্লবা

থৌবি, 'ইশাগি' ইঁদুং কাওবা উবগা কগে। হায়রগা, "থিংঙাক-লিজরবদু বাবে, থাউবি অহুনা শীবিদু।"

'মহাক্না থাউবি অদু এৌগী পুংস্না শীবকপমক্তদা মহাক্না হুংশাক-শুংলানবা মাইংখোংদু এৌগী মিংথেংদা 'তারগী।

তপ্না তপ্না মহাক্না হায়রকই, "মতোংবদা চংবিবা কৌবি কীহৌরিবনা? অরোগা থিংঙোকউ হায়রা?"

নুপী ওইবীনা হংলক্লি, কৌবি কীহোইদনা। অদুম অসিনা পুক্লিংগী কিতম অমদু ওইরবদু, পাউগুম শীবদা তপ্পী বা মহেৎ অমত্তা ওইংবনা ঐ চংলগী।

মহাক্না অদুক হয়া হায়রকই, "তরবা অরুগী লপ্পীনি, অম্না থেংনা থোক থাংহনা চংলু।"

হকচাং 'পুন্না তু থ্যাও চুংলমই, অহুমু মুড়মহুনা থঙলগী, মহাক্না হুংশাখিবিবা করিগীলো অমগুং করিগীলো মাবা থৈ পামহনা উমংগী লম্না অদু লম্ছোকপা কাওবা থিনবিমিংবিবা। অহুনা ঐগী থামিংদবদু মহাক্না থৌশাবমতদা য়াই— থিমথিবরা য়াই, অহুমু লাৎপা মতুঙদু মতোমদা হন্দোক্লমহুনা চৎপা মহাক্না অকোনবদা মপুক্লিংদা চিংনকতুখাক্তে মিংথৈ।

থিবা তুকমতাতোম শাকপা লাপাফানি। অদুম অসিনা অকৌবু তেমবা নথে। তরুক্সরবা অসিগী মতম্না থোকখং পুক্লিংথক্তা

তীরনা খাই খাই লাউরাংনা, অহুম থংনবা নিংকুপ্পা নৈপাম্বী অকনী বা তাকংনা থংম্বাদ 'পুখা অকুক হাক্সা ইবংংলম্বী মহুদি, কীরনবা মুক্তম কংলহবে। অম্তুরদি খক্সম্বী, অশিবনা পাংথক ওইরবা অনাবগা নৈমিরবা ম্রাতমদি কষ্যাগী মদ্রিক মুখিবা। মতুঙদদি নিংকুপ অমদা হেক্তা পিখিবা মাত্রিবদি, মতম অহুনা অহিং চুপ্পা উমং-মচুং অশিদা মতোমদা মুপীমচা অশিবা কবি তোপনবে? কবতোনা মহাক অহিং অমু লেনগনবে!

তৌরম অশিদা মুখিং কনা কুইরবা মুংগী থাক্তম অমা নিংশিংনকই। মণি-প্রভা অমা শিবদা ঐ নৈরম্বী। থাম্বনা অহিংবি— মুপী-মচাং থীবাই-থীশল কনাম্বু নৈফে, ইমুংদ। মুক্সাবী ওইবদা চাইরিবা মুপী অমুগা ঐগদা নৈরম্বী।

মুপী অহুদি কারমা-ইরচাক্সা চাওহনা মথোক ক্রিং ক্রিং কাওহনা অশিওম্বা থোদো অমা তোরম্বী মহুদি, মহাকনু পোত্তবদা শিরগদ্রা হারনা অকোবা লেংক্লম্বা।

মহক্কা কম্বা কম্বা হন্না হন্না ঐতোম্না হংলম্বী মহুদি, মহাক মপান্না থাকা মপুরোংবগা লোম্নমবা লিখিমনিংদবা মতমদদু মতকাতম্রী মথো কবি নৈ? মহাক থোইদিং মপাম অমসা কাঙবা নিংক্রিংথবী অমসা নৈরে, মদি মথোক্সা থবতোইবা? মথোকনী মুপবা মচু-মচা নৈতত্রা? মথোমদু মুংলা? অহুনা

অহিং অসিদা খুজংগী মীনা কহিঞ্জবা ভুবেন থোর্কখানবী ভজন মঙুংদা মাবু মপুরোইবগা লোইননা শিকিন্নবা শিনখিবদশু পুলিশনা কমদৌনা খঙগদগে? অদুগী কয়া কয়াবি।

অহুবু ঐদি ওহগী অহুম কমহুনা মাগী মীকপ-খীরাওখোল তাহনা লৈথোকপা য়াদে। লৈকাইদা পাউ চেন্নুবা য়াদে—পোৎ কয়া লাংলুবা তাব্রিবনি।

অহুবু ঐ চংথোকনি হায়বা তাবমক্তদা মহাক জ্ঞান তারকই। মপী লৈতথোক্লগা হায়রকই, "ইদুংঙো, ওইগদবনি ওইরে, অমুক মপ লদা চংথোকলুহুনা লৈদোক্লানি। অহিংসি লেনখিসনু।"

ঐনা হায়রম্মী, "থবক য়াম্মী, চংলুদবসু য়বা নত্তে।"

মহাক্না হায়রম্মী. "থবক লৈসনু, নহাক কম্মু।"

ঐনা হায়রম্মী, "কম্বনা য়ারোই, অমুক্তং পাউ চেন্নুবা তাই" হায়রগা থোক্ত খাংদে। কপমক্তদা মহাক্না খংনা লাক্ত-রকই, "হে৷ ইমা! ঐ ইথদ্দা লৈবা য়ারোই।"

মরম অদুনা ঐ অমুক কমথবা তারম্মী। মতম অদুদা মরম থঙলকাব, হিংলিদৈদো মহাক্না চহি কুনমক্তা চুপ্পা মুখাল-মিয়রকখিবা মপুরোইবা অদুনা শিখিবা অমু খংবা জন্মগী

অশিবা হকচাং-অহুপা অমম্বা অহিং অসিদা মিমিট মঙাদং লৈমিন্নবা থাংজবদে। শিন্নবা মপুরোইবগী মনাক্তা মথম্দা লৈরমদি মহাক মপুক পোকথারখিদবজম্মী।

অহুম্ মহাক্না থাব্রিবনু তৌশিন্নবনি হায়না উংজুবন্দু ঐগী পান্দম নত্তে, মত্রগা মহু অচুম্বনি হায়ক্লবন্দু ঐগী অপাম্বা নত্তে, মত্রগা মী অমগী ব্যবহার অহুবু তেক্লেং-তেকশেংনা হেৎনফিংজাইনি হায়বন্দু নত্তে।

অহুমু অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অমম্ থকই, মহু পাম্লুব্রবন্দু ঐ য়া অসি হায়নবগী মহুদি, গুপ্তদগী থোদাংগী অ্যাকগী লিপুম্বা মত্রগা মতম কুইনা গুম্বান্দুনা লৈমিন্নবকপগী অধিকারমক্না অকীবা অমিদগী কনগুম্বী লুপী অমতম্ ন থোকহনবা তমদে। মসিগী অতোপ্পা শক্তি অমা মতে-মনাও কয়াম্বা কনা চানা খুম্বান্দুনা লৌমিদরক্লবন্দু করিগুম্বা মঙংদা থিবা ফংদে।

অহু দু শক্তি অদুগী পরিচয় বনাগুম্বা খুদা-খুদীগী মফমদগী ফংলকদি মতম অহুদা সমাজগী থাক্রমা মরাল লৈরে হায়রুবা মথোরবু দাজ পীবা দরকার করিগুম্বা লৈগে লৈবসন্নু, অহুমু মীওইবগী সমাজমক্তী ওইদবা পোৎশক অহুম্বা মশানা মথোয়গী অয়াবদা পী শিন্নহন্দনা করিগুম্বা মঙং অমদা ঐ থোকপা তমদে।

থা অনিরোম মুক্তজয়গী পাঙ্ক লৌদে।

থুজং উত্রিবা মতমা বেলগাড়ীগী খোঙমাংদা মকোক থিল্লোক্তুনা যে খিত্রিংবা মথোয় অদুনা চঙ্কুবগা লৌয়নমা হায়রকপা মাই, মসিবু করি হাবো! মসিবু করিগুম্বদা ওইখোকপা হাত্রনে, অদুক কনবা অনাববু থিংনা উত্বা পাক্লবা কাওবা ঙা অমি মাগী মপাউ লৌদয়া।

মহাকপু ভাব তাহনবগীদমক্তা হায়বা ভাই মধুদি, মসি ভগ্নগী ওইখোকপদা নত্তে, মসি ওইনম্নিবমক্তি। মী অমগী খুদোংথীবদা থুজং হপ্পা হুপচিনৈ, অদুম্না মীনা হায়নবা অমদি নৈ, থগুদে মহু সত্যাযুগকী থুজংশিংদা চংনম্বা, অদুবু মতম অশিংদি মহু কলাম্বদন্তু উগ্র হয়না থমবদা খোক্তে। অদুম ওইনমব মহাক শিথিবগী পাউ কংত্রবনিনা মহাক হিংলি হায়বসিদি অদুমনি।

অসিগুম্বা মতম অপিদা থগুহৌদনা লোংমা নাকোং লৌরকই, মতুংগী বাগানগী ঝংকম খোকপা মথুডা অদুনা থক-থা ওনবমথৈ শদোক্তি মহুদি, মাংলে মাংলে, থুজং হন্দক্তি রসাতল লৌরগনি। অকবা মিত্তির শাগৈমি হায়দুনা সমাজদা মমুক মাই উংবনগী ঐগী শক্তি নৈত্রে— শিগৈজন্দুনা সাপুড় মিত্রোল লুহোংদুনা মমুমদা পুশিল্লে। অদুগা ভগ্নগী লুহোংবদা নত্তে, মহুম্ভু ভোগে ভোজরসমু, মহাক্না খোংবা চাক কাওবা চাবে। থুজংদা করিগুম্বা মসিগী শাসন নৈত্রবদি উবংদা চংদুনা

লৈরুবা তাই। মতৈ খুন্নংবা চৈরিপুবগী মশাজগী থাকম অদি তামক্লুবদি— অদিমচিংবা অসিমচিংবা।

মতম অহুদা অঙাং অকন পুম্নমক্না থা অক্লনক্লক চাংবৈ। এং মহ অওইত্রা? কনিনা তশেংবা মথক-মথা ওনহল্লত্রা!

মখুড়াহুনা অদি হায়হুনা কোইশনা শক্নোক্লি, অদি খোক্লকনি হায়বা মাংজোবনা উরক্লবনি। মহাক তপ্পনী কুদৈম য়েংহুনা লৈরক্লিবনি, কদায়দগী কদি ওইরকপগে! মক্লবদগী মীতোপ নক্লে, মুয়োম কৈরোমবা নক্লে, মরাগ্নমক্কী মচানি। মকাক্না মচুমদা মাবু পুশিনবা ওয়ম্নোইত্রা? মাইবা ডাক্তর কৌহুনা য়েংহন্নবা মাগী শক্তি লৈতত্রা? অহুম ওইনমক মক্না কনিগী তৌবিত্রিবনো হায়বা হৌজিক মরাম্না য়েংবিয়ু। অহবু তুম্মিন্না অমুক লৈথোকপা য়াত্রে। মামা মিডির শাগৈগী মিংচেং লুপহনগদৌরি। খুন্নংগী মাইদা হামুক তৈতশনগদৌরি।

মতম অহুদা এখোয় খুন্না ময়াম পুন্সুনা তৌবিব; থবক অহ মিংশিংলকপদা ওসি এ ঈকাইখম্না শিগদৌই। মখুড়ানা মক্তবা মিডির শাগৈগী মচংশিনবা অমা ওইনা চংলম্মী, অহুগা এখোয় মী তরা য়েম্না খুন্নংগী মিংচেং থিহন্দবগীদমক্তা চংলম্মী।

মতুকতগী মী লৈখা থাত্রবা মুখ অহুদা খুংলখা মতম মাহ নদা ওইবদা মতাইদি।

মাল-নিঙোল অদু কায়রবা মাঙোলগী মচি অমদা ভল ভক্লম্মী, ইথঙ থঙহৌদনা চৈশাং পায়রবা অদুক য়াম্না মীয়াম ঙমাংদা লৈরম্বা ইবদা কী,জবনা মশক শংঙিক শংঙিনখি।

খুড়াবা ইমুংদা মতুক থিংথিজ্জনা য়েংলুই, মংচঙ হিপহুনা লৈ। মথাক্তা থোঙ শং চিংশিন্দুনা পুনা পানশিল্লগা কী,জবনা অশি-মক মাঙবী মাল-নিঙোল অদুদু চৈ-থাংবা হৌরকই। মতুনা কাম্বে, অশংশিনা কনাগুম্বা মথুড়া অমগুনা ময়ামগী মচাঙ্গুপাগী মৌদা অদুক থীনা চৈ-থাংলমোই।

সুপীমচা অদু অঙোনবা চিন পুংগী মচা নিঙোল কনা ওইহুনম্ব মরু ভাড়ুনা লৈথোকপা ঙম্মদে, মথাক্তা মমাই লোনথং-লগ্গা শং হায়রম্মী, "মামাগী ঙৈরু মাচুগা চিকা শোরকিরে থঙবিদভ্রা ?"

খুড়াবা পায়রম্মী, "অদু ওইরে তৌ-ঙমী।"

অসিনচিংবা কম্ল লায়বগা লোয়নবা মী ভরা হেনবনা চংহুনা মাগী মহৎলমরনা থিং নম্মী। কনানা খুবাম থনা মশম পায়হুনা চিংই—অদুগ অদি গুম্বা খুদোং কংরবা মথোয় অহুম্ব হুম্মিনা থং লৈথোক্কে

মরমদি, লানবমদা ঐথোয় কান্নবকী মথৌঙম হুম্মিনা লৈথোকপা ঙম্মী, ঐথোয়বু অদুক শাথিনা মিংচৎ থিরবা শনবদি মাম্ময়ণগী কাংবু কাওবনা ঙমোই।

মতাং অসিদা ভিলাইকোন্থী চুবদোনা থোকপা রা অমা পঙ্গকৌগে। তোঙখি. বিলাতনচিংবা ঙেচ্চকী লৈবাক্কী নুপাশিংগী মপুংদা কত্তুনা চংনবী অমা লৈ. নুপীবু পাঙ্গল শোনবানি অমম্ভুং উপায় লৈজদবানি হায়রুনা মখোয়গী মশাদা খুং থাদে হায়রা করিবনো। মসি অত্তোপ্পা রা অমনি। সনাতন হিন্দুদি কত্তবা চংনবা অসি য়াদে। এরোয়না হায়রিংই, মপাঙ্গল শোনবা কীশক্রা এরোয়না খুং থাবা য়াই— মহাক অহু নুপা নত্রগা নুপীমু ওইদ্রসু অকায়বা লৈতে।

মাল-নিংথৌ অহু মাংলকপদি খঙ্গলাউ লাইরুরকই, মনুষী মচুংদগী তুংলোনা চুম্বিনা লৈখি।

অতুবু এরোয়না মরাকপু পুংসং হাংমা লাম্না থাদে,কশিরসা পশা-শাগন না কুনা চিংতুনা পুরমী, মতম অদুদা মথাক্তা নোল্লুক্তা কায়রকই, "বাবুশিংনা এবু কত্তুনা থাদোকপিরো, কলশিং অসি অপাংনা অমুক্তা থ কিংরকশিংগ। মশান্দা অচুম ভগোত্রম্রবাদি মইনা লমকইনা চেংথোকপ্রগসি – অমাংবা মীশক্তি, অহিং চুপ্পা বরিম্নু চাবা ফংলগে।"

মতুঙ্গন্না থোঙ্গ লোইরকা ইন্দ্রদা অগোঙকপী মজোগুম মকোক কুপকই. থোয়না মাঙালনা ঝাঙুরকই অমম্ভুং পনবা মাবা মাদদা লোন কয়া শিঙিগুরকই।

অদুবু ঐখোয় মতুপ্তা থোইদিং মথায় অমা কাওবা নিংহন্নবিদে। ইরমদমগী য়াইকনবগীদমক্তা পুন্নমক য়ানা থাংহনা মাবু লোয়্যো সোয়্যো চিংহনা পুশিন্নে।

পুশিন্নে হায়রি, করিগীনো হায়রবু ঐহ্ন ময়ামগা লোয়নহনা চৎলম্মী ; অদুবু ঐঙোন্দা কদায়দনে অশোনবা থরমথৈ লৈরম্মী, ঐ মাগী মশাদা খুং থাবা ঙম্মদে— থোইদোক্লহম কপ্লিংবা পোক্লকখি। তৌরিবদু থোইদোক্না অচুম্বা অমম্মুং মহাকপু খুঙ্গংদগী তাম্মোকখিবদ মতিক চাবা ওইরম্না য়াই, অদুগা ঐখোয়না তৌরিবা অদুমক্তি অফবা থবক নত্তে হায়বা অদু পুক্লিংদা লাম্বা ফংলমদে। অদুবু ঐগী য়া থম্লাস।

অদোমখোয়নদি খুঙ্গংদা মীপুংশি লৈতে হায়না পুক্লিংদা থনবিরুগু। মদু তশেংনা নত্তে। থোইদোক্লরম অচৌবা মা ওইরবদি ঐখোয়না মওং খুদিংমক্তা মীপুংশি উৎলি মদুদি, তাবদা অদোমখোয়না ঙকপিগনি।

য়ুতুঙ্গ অসিমক্তা করিগুম্বা মাগী মথুংনা থোংবা চাক চাহনা ঙাকপিবা য়াত্রবা মরাল লংশিঞ্জরমত্রবা, অদু ওইরবদি ঐখোয় অদুক হাক্লা শাউরম্মোগদবনি। অদুগা কয়াম্থ মচানা লিন পুবগী মচা-নিঙোলগা লুহোংব —মসিদি য়ায়েম তাথোকহনবা য়াবা য়াকপি। অদুবু কাল ওইখ্রিবদি চাক চাবা অদুননি। লুচি নত্তে, সন্দেশ নত্তে, হৈ-য়া নত্তে— চাকমক চাবদি অচৌবা

পাপ্নি। মহাদ অমুক চাং ওল্লুবা য়াবা নত্তে। অহ নত্তবদি খুঙ্গাশিংদা শাগে ঙাং খাইবগী বাপল পোক্নমদবা য়াই!

ক্রোশ মরি খোঙনা চৎতুনা বিদ্ধ' তাল্লুরিবা চাউবগা মোংমা সমাজগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিং অহুনা সমাজগী চৎনরোল খঙদবা য়াবা নত্তে। দেবী বীনাপাণিগী বরদগী আস্ত-পাত থাবগী বাখল মখোয়না কমদৌনা কংগনি!

মসিগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা শয়ুক্তা শোরিণ্ডাই ওইবা মুখোপাধ্যায় মহাশয়গী লুপ্তাবী মমৌনুপী মন-বৈরাগ্য ওইহুনা কাশীদা বাস তৌকরগা হল্লকই।

মতম অহুদা নিঙ্গা তৌবশিংনা চিবোল-চিবোল ঙাংনরম্মী মহুদি, সম্পত্তি তঙ্খায় অমা লুপ্তাবী অহগীনি অমম্ভুং তুংদা মহু মীগী মখুত্তা তাখিগথ্রা চিংনহুনা বাবু-মচানা য়াম্না কন্না হোৎনরগা মতম-বেম্মবু লৌকরিদ মকম অহ কাশীনি হায়না তাই! ওইনিংবা ওইজসন্, বাবুমচানা মশাগী হৈনজবী পুকচেল চাউবগা লোয়ননা খুঙ্গং 'পূস্থগী উৎসব কৎনমবা লুপা চানি দান তৌরম্ম', খুঙ্গং মভাগী ব্রাহ্মণশিংদা দক্ষিণাগা লোয়ননা অহাও-অথুম পীজ-পীথক্নগা মতিক লৈবা ব্রাহ্মণশিংদা শেঙেংগী গিলাস অমমম কৎলগা বিদায় তৌরম্মী, মতম অহুদা পেল্লে পেল্লে হায়হুনা নিরম্মী। অহুদা নওনা চৎনা চৎনা অয়াম্বনা

লৈবাক্কী অমম্বং ফবা-ফচাগী য়াইফনবগী য়াংকদা থৌজিনবশ্মী, অসিগুম্বা অচৌবা মংলা মখোয় মখোয়গী ময়ুমদা থা থাগী অসিগুম্বা শিল্লম লাংত্রিবা কয়িগীনো ?

অদুবু তোক্রুসি। অথোইবগী য়ারী ঐখোয়গী য়ম্মা লৈ। যুগ-যুগতগী তানশিল্লকপবা চাউরাক্লা খুঞ্জা খুদিংমক্কী থোউজিন্দা চীংচুম্মুক য়াংনা পৈরক্লবনি।

থা-থংবা বঙ্গগী খুঙং কয়া মতম শাংনা কোয়না চংলুবদা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অচৌ অচৌবা থৌদোক কয়া উরক্লবনি। লমচংতবু হায়রো, ধর্ম্মদবু হায়রো, সমাজদবু হায়রো, অদুগা বিদ্যাদবু হায়রো,— শিক্ষা তশেংনা মপুং ফারবমি ; লৌকিক শুগী ইংরাজবু কোচি কোংচুনা চৈ-থাংবু চুরবদি লৈবাক কনবা ঙম্মগদবনি।

থা থরা হৌত্রে।

কাং চিকপা অমুক থাংওমত্রচুনা সন্ন্যাস শাবা থাদোক্লুনা চুমদা চল্লকপদা মঙাইরি।

মোংমা নুংশিথমদা ক্রোশ অনি লাপ্পা মাল-পাড়াদা কাওচুনা চংলম্মী, থঙ্কোকনা চুম অমগী থোঙজিন্দা মৃত্যুঞ্জয় কমচুনা লৈরম্মা উরম্মী। মাগী মকোক্তা পেরবা অচুগী কোকয়েং

[illegible]

[illegible]

[illegible]
যাই।

[illegible] আর-কিছুর [illegible]

[illegible]

লৈখাদা চিংখরা ওক্সিবা মথোয়গা মতৌ অদুম্না য়ুওং অমদা মথোয়বু মখক্তা থাঙ্গৎপা ঙমগদ্রা ? খুঙ্গংগী মুপাশিংগী মিংচৎ কখবদা ওসি ওরা-মচানা ওাংনবিরবসিগী চাউথোক্লিংঙাই ওইবা ওগ্নগী মথোয়দগীবা ? ওগ্নগী মশাগী শক্তিদনা অহুক খুনা লৈখা ভাখন্ত্রিবনি। খম্নোয়-মুংদগী থৌনা থজিক্তা কাওবা পোক্তব্রা, মতেং থজিক্তা ফাওবা কংদব্রা ?

অহুবু তোক্লসি। রাখল অমদা ভাওহুনা ইথৌ নত্তদা ইথৌ শাহনা লৈক্লরমাক্সে।

অহুবু ঐগী লুরিবরি অসিনি মহুদি, ঐনা কবিগুশা মওংদম্ব কাউথোকপা ঙমদে, লৈবাকী মুপা-মুপী চাম্মদা মরিকুতম্বাদি খুঙ্গং অহুমক্তী মীশি অমম্নুং মহুগীদমক্তা কবিগুম্বা থবদি ঐথোয়না ত্তৌবা পাম্মী। লৈরমহু। হায়বিংই মহুদি, উবদা কনানা মহাক অশি মৃত্যুঞ্জয় অহুনি হায়বা ঙমবিগনি।

অহুবু ঐবু মহাক্তা ত্তরাম ত্তরাম তৌহনা কমহল্লি।

বিলাসী পুত্রিদা ঊশিং শোকপা চংলুই, ঐবু উবদা মহাক্তা মাগ্না হরাওহনা হমা হমা হায়রকই, "নহাক রাউবমন্নবদি অহিং অহুদা ঐবু মথোয়বা হাংলম্নগদবনি। ঐগী হাকন্দা থঙদে নহাক চৈ কয়া যাম্বা চাশিবগে ?"

বাগী বাণাদগী তারম্মী, মমাংগী সুমিৎকুন্দা মখোয় মফম অসিদা লাক্লবা মুম শাহুন্না লৈরম্বিবনি অমম্থুং সুংঙাইনা লৈ।

সুংঙাইনা লৈ হায়বা বাক্য অসি ঐখোয়না হায়নবগী দরকার লৈরমদে, তুগী মখোয়গী মশক উবমক্তদা ঐ মহু খঙলম্মী।

অহুগা তারম্মী, ঙসি কদায়দনো লিম কাবা চংলুবগী বাক্য অমা লৈ অমম্থুং মখোয় মহুগী শেম-শাবনি ; ঐস্থু অহুম মখোয়গা লোয়নহুনা চংলুনবা হুক হোৎংলি।

অছাং ওইবিরৈদগী পোংশক অনিংকক্তা ঐ বায়া খোইদা-জরকই। অমনা খাগো কারগা যোকপা, অহুগা অয়না মঙ্গ সিদ্ধ ওইবনি।

সিদ্ধ ওইননবগী উপায় মতম অহু কাওবা থিবদা কংলমদে, অহুবু মতুঙ্গয়বু ওস্তাদ ওইনা কংজনবগী আশাদা হবাওবনা পুক্নিং মকা লাম্মী। মহাক বাগী মমিং চংপা মকুবোকী শিগ্নবনি, মরম অসিনা থাখা বাবা মী নত্তে।

ঐগী লাইরক ইথঙ্ থঙহৌদনা অহুক কবকনি হায়বা কলাবা খল্লুবা ওয়গনি!

অদুগুম মহু অকনবা ৱখল্লি অমম্লুং কীজিংঙাই মমম লৈ থারুদুনা অহাননবা মরোম অজিমকুা ঋাবমনে, অদুবু ঐনা অদুক মনা তক্কুমথী মহুদি, মা অমমোমগী মমুংদা ঐতোপ্পা তাকপি-তম্বিদলবা মচুজগী লমী লৈখিদে। জিন কানবা মন্ন অদুগা মওং-মতৌ তম্বিনথী অমম্লুং ঐঁবু মওং অমদা চংনবী মচুং ইমা সাপুড় ওইহল্লমী।

মম্ন অহু থওবিত্রা ? মহুগী অরোইবা শরুক অহু নিংশিংলি—

কায় থাবৌ মওদি মনসাগী শাদোংনি—
মনসা দেবী ঐগী ইমানি—
ওংথাব-নৈথাবদে পাতাল মখুল—
জিনবোপকী হু নঙ লৌ, মঙগী হু জিনথোপ্পা পিম্ব—
—শঙ্খোম মপু, মণি মপু!
কনাগী মাথংনা— বিষহরিগী মাথংনা!

মসিগী অর্থ করিনো, মঙ্ক ঐ থওদে। মমমদি, মম্রসি লেংলম্বা অহু ঋষি ওইরমগনি— শোয়দনমক কনানো অমদি লৈরমগনি— মতাঙা উনবা কৈদৌৰেদম্মু কংখিদে।

কাইন-থংদা লোংমা মম্ন অহুগী অচুম-অমান মযেক শেংবা উনি হানবা তাই, অহুমু মহু থওত্রিবমখেহুদনি ঐ জিন কাবগী-দমক্তা মাইকৈ মরিদা কাওরমী।

মরায়া চাংনরম্মী, হে'য়, ত্তাডা শুপ লৈবা মুপাজি হায়রবা য়াই। সন্ন্যাসী ওইদুনা কাম্মাখ্যাদা চংদুনা সিদ্ধ কংলুরনি। অদুক মনা ওইনা অচৌবা ওস্তাদ ওইদুনা চাউথোকচবনা ঐ অমুক তথোক্ত লৈবাক তাদবঞ্জম্মী, অদুক নাপল কায়ম্মী।

মহুশা খাঙ্গবিদবা শুপ্পগী মী অস্থিশক্তনি। ঐগী গুরু অদুনদি ঐগী অক-মকুবগী কস্থিপুশা রা অমত্তা চাংলমদে। অদুনু বিলাসীনদি এরক মরক্তা মচিন খুমহনা নোক্তুনা হায়রম্মী, "ঠাকুর, মথোয়হু তমণী'গা জীবনি, থরা চেকশিন্না পায়-থোংলু।"

মরু ওইনা মচু লেনবা ময়া শংপা, লিনগী মচিন্দগী হু লৌথোকপা অমিনচিংবা থবকশিং অহু অদুক থৌনাকনা তৌরম্মী মহুদি, মহুশিংত্ত লিংলিংলকপদা তসি কাওবা তু চুংলি।

অশে'বা রাকমদি অঙিনি মহুদি, লিন কাবস্থ লুদে অমস্থং অফাবা লিনমু লুমিং শ্রুম্মি-মরিনি লুবাক মপুংদা চাপত্তুনা থম্নবা মতু'মদি ময়া শংলবস্থ ওইসপ্ত, শংতেবস্থ ওই'স্থ, মথোয়না করিপুস্থা ওংদস্থ চিল্লোক। মকে'ক খাঙ্গংতুনা চিক্তদবা মওং মালংলি, কীহলি, অদুমু চিকি চিক্তে।

মরক মরক্তা ঐথোয় গুরু-শিষ্যগা বিলাসীগা কয়া কয়া মরৈ য়েংনৈ।

লাপুড়শিংগী খ্বাইদগী তোংবা করবাবদি উরা য়েংনবনি, মহু উবরক্তনা লিন চেনকন থত্তদে।

অহুম্ মহুগী মথাংদা ইচম চম্বা থবক অমা তৌবা তাই। উমা উথবা চেনগদবা লিনহুগী মাচুংদা য়োংশিংকোং নৈ ইরুপা চক খিবগদবনি। অতুগী মচুংদগীদি উমাবু উংলবথু মতোপ্পা চৈ' অমবু উংলবথু মথাক চেনকপ থঙলরোইদবনি।

অহুগুম্বা থবক অহুগী মায়োক্তা বিলাসীনা শাগীমা মাখিংনহুনা মৃত্যুঞ্জয়দা হায়রম্মী, "নেংতো, অসুম তৌহনা মীতোম্বা অমথাক তৌবিদু।"

মৃত্যুঞ্জয়না হায়রম্মী, "করাম্না তৌনখিবনি— মসিদা দোষ করি লৈবগে?"

বিলাসীনা হায়রম্মী, "তোগে তৌকসু করাম্না। ঐথোয়গীদি চান-থক্কুবগী থম্মুশিংতাই লৈতে, ঐথোয়না কায়দবনা কথিগীনো মীতোম্বা মথথাক তৌগদৌরিবা?"

অহুগা হৌরক অমগা ঐ তত্তনা উবম্মী, লিন কানবা তৌবা লাকপদা বিলাসীনা মওং মওং করাদা থিংনবা কমা হোৎনৈ— চসিদি থাংজনি, চসিদি লৈবাকপোকপনি, অসিগুম্বা করানি। মৃত্যুঞ্জয়না লৈত্রিতৈনা ওইরবদি মহাক্না কেজ্ঞা তাম্বোকখি, অহুম্ লৈরবদি মৃত্যুঞ্জয়না নগদ কংগদবা শেল' মীতোবা থাদোকপা ঙমগে।

অহুগা ঐখি মঙং অমদা লেপা চুবগুরবনি। মঙং কাঁদা ঐনা ইনশিন্নবা থোংজেলদা হনবা তৌরমদে। মরু ওইনা মহুদা থুংগাইবা নত্তনা কৗনিংঙাই কবি তৌবগে হায়বা ঐখোয়গী খঙ্গোয়দা কাওবা ওয়রমদে।

অহুবু পাপ অহুগী মতি ঐখোয় মোংবা করবা কংখি।

সুখিং অহুদা ক্রোধ অমগা মথায় লাপ্লা পোয়ানা অমগী যুমদা লিম কাবা চংলম্মী। খিদাসী হেক হেক চুং ইখি, চপিল্ল চুং ইরকই।

ইমুং লৈরাইদা তৌবাক খঙ্গিরং তৌখোকলুবদা মথুল অমা থেংনরম্মী। ঐখোয় কনানম্ম থোইনা মেংশিল্লুদে, অহুবু খিদাসীদি লিম কাবগী মচানুপীমি—মহাক্লা লুকথহুবা চে মচেং থরা থুবগংলরুগা উংজুনা ঐবোম্বা হায়রকই, “ঠাকুর, থরা চেকশিন্না তৌম থাখিবু। লিম অমথক্তা মত্তে, খোঙাদি পোত্তদনা তৌরমগনি, নত্রগা মহুদগী হেল্লবম্ম থাই।”

মচুঙমনা হায়রম্মী, “মখোয়নদি অমথক চংলকই, অমথকুমক উই হায়।”

খিদাসীনা চেহুমং উংজুনা হায়রম্মী, “মকোল শাবক্সিখনি উঠা?”

মৃত্যুঞ্জয়না হায়রম্মী, "চেদি উঠিনা চেনশিল্লবয়ু যাইদ্রা।"

বিলাসীনা হায়রম্মী, "অনিমক থইবা যাই। ঐদি অনিমক নৈ হায়নিংই।"

তশেংনমক বিলাসীগী বাহমক চুরম্মী অমসুং হুনিংহুনা থম্মোয় পুক্তরবা মওংদা কপ ক্যংলম্মী।

মিনিট তরাগী মতুংদা য়াম্না চাউ-শাংলবা থাদৌ অমা কাবগা মৃত্যুঞ্জয়না ঐঙোন্দা শিগ্রককই।

অদুবু মহ লুবাক মতুংদা হাপচিল্লুরগা হল্লকপমক্তদা মৃত্যুঞ্জয়না উঃ হায়রগা হুংশা মপী হোন্দুনা মপান্দা থোরকই। মহাক্কী খুংনমদগী ঔ অর-র শিদ্রম্মী।

অহানবদদি ময়াম পুম্নমক তৌকম থঙনা লৈবগুম্মী! মরমদি লিন কানবা হোংনবদা লিক্লা পাখংতুনা থোইদোক্লহুম মখুলগী পুগপ অমা চোংখংলক্রগা লাকনি, অদিগুম্বা থনজমদবা থৌদোক অসি পুক্লিদা অমুক্তমক থোকখি।

থংনবা মিংকুপমক্তদা বিলাসী লাউ-থোংহুনা চেথশিল্লগা শক্তি কিজিনা মহাক্কী মখুং চেংনা তুকশিল্লি অমসুং মখল কয়াগী উরু-হুংলা পুরকপমখৈ মতোম্না শাইহল্লি। মৃত্যুঞ্জয়গী মপাগী মাদুলি (কবচ) অদুম্বু য়াউরি, অদুগী মথক্তা ঐগী

নাগুলি অমুম্ব লৌথোক্লগা মহাক্তী মখুংতা শিজিন্নখিবগী। আপা ভৌবগী, ঐ থক্তা থাইশংলবোই। অদুগা "বিষহরিগী থাথংবা" হায়বা অমুম্ব হৌনা হৌনা শোল্লগী।

থাইকৈ মরিদা (ফোইশিন্নুনা) মী হায়া ভীল্লগী অমসুং থাইকৈ অহোমদা লৈবা মঙ্গল লৈবা মী পুন্নমক্তা পাউ পীক্লবা মী চেমবগী। বিদাগীগী মপাদগী পাউ পীক্লবা মী চংখি।

ঐ মক্ত শোনবগী গোথাবা অমুক থাইবমদে, অহুম্বু ভপেংনা কাবা কংপনি হায়বা পুক্লিংদা থল্লকখিদে। অহুম ওইনবক শোনবদি অহুম লেপ্পে।

অহুম্বু মিনিট কুনমরি মডাগী মতুংমক্তদা মতুকপ অমুক্তং ওথবকপা মতম অহুদা বিদাগী লৈমায়দা থাইহংজুনা তুখি।

ঐথোয়গী বিষহরিনা চাদবিরকোইদমাক্লে হায়বা ঐখু থজবরকখি।

অনকপাদা লৈবা ওস্তাদ অহুম-মখি থুংলবে অমসুং ঐথোয়না করিগুম্বদনা মল্লাম পুখ', করিগুম্বদা ভোজন ভোজনা লাই কোটি কুহুল্লুমদোই থুকমজন্নগী।

অহুম্বু বিষহরিনা ভাকপিখিত্রে, অমাবগী ফিভম অমুম অমুম কংতিন্নকখিদে। কুক্লবোই হায়বা উবক্লবা মতম অহুদা

ঐখোয় মী থঁছম-মরিনা হুরা হায়বৈদবা তাইবেদবা থাইবেন।
অদুক থীনা ঠৈ-থাংলবা মতুংদি, করিগুম্বা হুরা মনা পাক্লবা
লোক্লবদি মৃত্যুঞ্জয়বুদি মৃত্যুঞ্জয়নি, মুখিং অদুদা তৈবাক অমু
থাদোকুনা হু চেনখিরমগনি। অদুবু করিস্থ কামবা কংখিদে।

অমুকন্দ পুংথায় অমা কয়া লাইকয়রবা মতুংদা অনাবা
অমু মমা-মপানা খোল্লবা মৃত্যুঞ্জয় হায়বা শিং মকুবোক্কা পীখিবা
মত্র অমম্নুং হিদাক পূরমক মৌনথা তাহন্দুনা তাইবং পান লীনা
লোইশিনখি।

বিলাসীনা মহাকী মপুরোইবগী মকোক মতথাক্তা কোন্দুনে।
কমদুনা দৈ, মহাক ভগেংনমক নুংশি মূর্তিগুম্বা।

ঙোক্লনি, মহাকী অবাবা থারীহু অমুক শাংথররোই।
ভগ্নগী অসিথঙ্গং হায়রগা লোগাশল্লগে মহুদি, মহাক মুখিং
ভবেংনিদগী হেয়া শাংথনা পুন্সিহুনা লৈবা ঙমখিদে।

নোংমা ঐঙোন্দা বিলাসীনা অসিদংদি হায়খি, "ঠাকুর,
ঐনা শাপ তৌরিবসিনি, পূরমক অসি নহাক্কা অমুক কৈদৌঙৈদন্দ্র
তৌকনু।"

ঐগী মাদুলি-কবচদি মৃত্যুঞ্জয়গা লোয়ননা লৈরোব চনপ্রে,
ভগ্নগী বিষহরিগী মাথংদা চাইহৌরে। অদুবু মাথং অমু
মেজিস্ট্রেটকী মাথং নত্তে, মহু ঐন্দ্র থঙোকখি।

মোংবা তাবখী, খুমদি চুখী মবাংপা লৈতে, বিলাসী আম্মথাই তৌহনবা শিজে মমন্থং গাক্র-মত মহুংইবা মহাক পোকপনমক মরম তাক্রবনি।

অহৃবু মকম অহৃদা নক্রপা মমদা লৈজগু. ঐ ইশাগী চংপা মতম ওইবক্রবা মওমহৃদা মতৌ অহৃম্না করিগুম্বা নমক মমদা তাবগী বাকমদা নীংহল্লরোই, অনিথক্তুংদি কারবা ওম্মী।

মথুক্তা ইবুংঙোনা বাগান অহৃ মপুংফাবা মথল তৌরগা থোইদোক্লা মবক-অহৈ শাহৃনা মাইটৈক মবিদা কোইচং চংলুবা শন্দোক্লম্মী, "মানাবু মহুং-মতম চাদনা শিদনা কনানা শিগদগে ? খুপানি মমক্ত: নত্তে তরাসু পোক, মহৃদা অহৃক হাক্লা মকাযবা কারম্ম লৈতে— মীনা থবমথৈ থীনা জাংনবদি যাই। অহৃবু মখুংমা থোংবা চাক চাহৃনা মশানা মমং থিজকরিবা করিগীনো ? মশাদা শিজ,থবা নত্তে, ঐ কাওবা কোক নোনহল্লম্মে। শিবদা চৈ থাথিজে, পিণ্ড থমা কাওবা কংখিজে, পোম্বাং পোবখিজে।"

খুদংগী মীনা মা অমত্তা ওইনা হায়রম্মী, "মহৃদা অম্মক চিংনিংঙাই করি লৈরে ? অস্নপাপ! মহৃগী প্রায়শ্চিত্ত, করি অম্মক লৈখিগনি!"

বিলাসীগী আম্মাথাইকী থৌদোক্তু অমাগুম্বা মকথবা থোক্লনিংঙাই হৌরম ওইরম্মী।

ঐদা ওইবা থক্তি, মখাল অদি মথোং অদিমক্তা তৌরবা নাই। অহবু মতুংদগী পুনং অদিমকী মচানি পুনং অদিমক্তা চাউরকখিবনি। অহুম ওইনবক মহাকপু অতুক শাদীবা মকদি মুংলোকহনখিবা লোংলক অহু কহিয়ো হাইবা কনাগুম অদিং পাংহনা অমুক্তং হনা যেংবদা উবা ফংজগ্রা।

• ঐদা থক্তি, হুপাদা হুপীগা অমগা অমগা মখোয় তম তৌনহনবা লুহোংবগী চংনবী লৈতবা, খোইরোক্তুম নিদা তৌনিংডাই মমক ওইরিবা, হুপা-হুপীগী অদা তৌনিংডাই লাইবক ফবা অপাম্বগী শিংনি-মনি থজনবা মুংহাইবা করিগুম্বদু মহাক থজনক্লবা নাই পাকপগী চাউখোকচবা মাইথীবগী যেচাক করিগুম্বা অমতম্ পুক্সিদা হকথেংনক্লবা, ভুল ওইখিবগী অমাম্বা ফংলক্লবা অহুগা ভুল ওইবদগী পুক্নিং চাউখংদা ফংলক্লবা, শিরবা অমত্তং হুপা উশিনবা হৈ-শিংনবা নমাঙনা ঙীরাং পুক্ষমক্তগী খোইরোক্তা চেকশিন্না মরৈবাক মচাশিংবু তোঙানা থমহনা মতম চুক্লদা ভুগ্নী লেংনদা লৈনবা থৌদাং তৌরক্লিবনিদা লুহোংবগী বাকমহু ভগ্নী কনাগুম্বশিংনা অরেপ্পা contract লৌনি— মহ ফনমক বৈদিক মন্ত্রনা document পাকা ওইহনবদু ওইতনহু, অহুঙ্গা লৈবাক অহুগী মীগী মতিক লৈতে মতুংদগী অন-পাপকী মরম থজবা ভবগদবা।

• নিদাগীদু লোক্তখিক্তু, মখোয়শিংদু মাদু ওইনা মুমুলেন

অমসুং মাথকী ওইবী যুবুরেনবীনি— থাংব-তাবা লৈরবা মস্তী-লোক মখোয় পুম্নমক্কা কয়নি, মদুসু ঐ খঙই।

অদুবু মাল-খিচোল অকুমা লাহনা লৈরিবা মুপা অমবু থক্তিক থক্তিক তম তৌগিনবি, মশাগী চাউখোক্লিংঙাই ওইবা অদুগী মথক্ক অমত্তসু ওসি ফাওবা মখোয় কনানসু উরবদবা য়াই, মতুঙ্গদ থোইদোক্না করিসু লৈতবা মীশক ওইরগা য়াই. অদুবু মহাকা পদেম ব তম তৌদুনা নথল তৌবগী হুংঙাইবা অদুসু করিসু লৈতবা নত্তে, মন অদুসু শংঙাম য়াবদবা নত্তে।

পোৎশক খুদিংবু লৈবাক অসিগী মীশিংদা মথিৎ পাংহন্নবা উৎনবা লুই।

ঐনা ভুদেববাবুগী 'পারিবারিক প্রবন্ধ'দা দোষ তৌরোই অমসুং সমাজিক্কী চংনবী নীতিবু করবংদুনা থুনক্কা অকণবা পাওথুম পীদুনা মখোয়না হায়রকনি, হিন্দু সমাজ অসি চংনবী নিতীদা অশোয়-অভাম য়াউদবনা শতাব্দী অসুব য়ায়া অদুক য়াবা ইয়াং মরক্কা হেংলক্লিবনি।

ঐনা মখোয়বুসু থোইদোক্না ভক্তি তৌজৈ; পাওথুম পীবদা ঐনা অসুম থক হায়রোই, লোংদনা লৈবতনা অখোৎবা মতৈ য়ানবা নত্তে— অদুগা ফা-হেমা রাং-চাউবা শাযুঙ্খা শা খাত অদু মাদোমদগী মুংঙে, অদুবু মুকা তিন্দি হেংদণা লৈরি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

মশা ফিরফিরগাই লৈতে, [illegible] মতৌসু

ফিরবগী [illegible] মথুক [illegible] থাংবনা [illegible]

[illegible] মথুক [illegible] ঙৈবা [illegible]

[illegible] মতৌ [illegible] পাপ পুবাই।

[illegible]ইরবা